# ৬১শুবা সার চুরাচন্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কে পি এস সি অমদি নাকো মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙারংদগী খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চত্থরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে পি এস সি ককচিং অমদি নাকো ইম্ফাল ৱেষ্ট মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন চঙখ্রে।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা কে পি এস সি ককচিংনা ঐচ য়ু এস ও সেনাপটিবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু কে পি এস সিগীনা ঐচ সিটল,এন দ্রুবা,টিঐচ অবিনাস অমদি কেএসঐচ টাইসননা চনখি অদুগা ঐচ য়ু এস ওগীনা ইমান্যুয়েলনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা কে পি এস সিনা ঐচ য়ু এস ওগী মকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট চত্থখিবগী মঔহে ফঙদুনা হাল্ফ অসিগী মিনট লোইরমদাই ৩৩দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৭ ঐচ সিটলনা বোক্স মপালদগী কাউশিনলকপা বোল অদু নেটকী য়েত থংবা কাচিন্দা চঙখিদুনা ১–০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৩৭দা কেপিএসসিনা চত্থরকপা কাউন্টর এটেক্ট অমদা জর্সি নম্বর ১৫ এন দ্রুবনা ঐচ য়ু এস ওগী কিপরবু মায়থিবা পিদুনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

গোল শোত্থরিবা ঐচ য়ু এস ওনা মিনট ৩৯ চৎপদা ফঙখিবা কোনর অমদা কেপিএসসিগী দিফেন্দরশিংগী অশোইবগী তঞ্জাদা টিম অসিগী জর্সি ৭ ইমান্যুয়েলনা গোল হনে দাক্তুনা ২–১ দা লৈদুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক য়াওশিনলক্লবা হৌৎনরবসু থংনবা মিনট ৪০দা কেপিএসসিগী জর্সি নম্বর ১০ টিঐচ অবিনাসনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–১দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী মরি শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ কেএসঐচ টাইসনা মিনট ৫০ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এন ইবুংঙো,এলসি রোপেন,ৱাই হেমন্টা অমদি এম ইনাওনা মথংশিটনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্দ রেফরি ১,এষ্টিটেন্দ রেফরি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টনা জি এস সিবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৯ চৎপদা জি এস সিগী জর্সি নম্বর ১৬ পাওখোঙম হাওকিপনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লোয়রমদাই মিনটশিংদা গোল শোত্থরিবা নাকোনা এটেক্ট হেনজিলক্তুনা জর্সি নম্বর ১২ ৱাই অনকেস না মিনট ৭৯অমদি ৮৪দা গোল অনী চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

নাকোগী অহুমশুবা গোল অদু অহপ্পা মিনট ৯০ পলস ৫তা চর্সি নম্বর ১৭ এনজি রাহুলনা চন্দুনা মেটচ অসি ৩–১দা মায় পাখি।

মেটচ অসিদা রঞ্জিতা,পশুরাম,দিস্সেশোর অমদি অরুনকুমারনা মথংশিটনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্দ রেফরি ১,এষ্টিটেন্দ রেফরি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি

। হয়েংগী মেটচতা এল ৱাই সি সি অমদি রাওনা অহানবা অমশুং অনীশুবা মেটচতা এনসিসি অমদি য়ুবি এস এগা শান্নরগনি।

# অনীশুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ ৱাই দিব্লয়ু সি (এল) অমদি অল–অমিন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ঃ

দি লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ২০ না গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ২০দগী চত্থরক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাইদব্লিউসি লংথবাল অমদি অল অমিন লিলোং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা কেএসদিও ক্যামগৈবু ৱিকেট ৯দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা কেএসদিওনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১০৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা ওভর ১২.২ দা ৱিকেট অমা তুরগা রন ১০৯ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৯দা মায় পাকখি।

কেএসদিওগী বেট্টিংদা অব্দুল রাফিকনা বোল ২৪ দা রন ৩১, সদামনা বোল ৪৪ দা রন ২৫ অমদি থাংগিনা রন ১৪ লৌখি।

ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী বোল্লিংদা বিশ্বৱাস অমদি কিষননা ৱিকেট ২/২ অমসুং প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট অমা লৌখি।

ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী বেট্টিংদা প্রফলো মাণিনা নোক আউতা বোল ৩৯ দা রন ৫৮, জিকোনা বোল ২১ দা রন ২৪ অমদি বিকসননা রন ১৫ লৌখি। কেএসৱাইদিওগী বোল্লিংদা ৱাকিপনা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী রন ৫৮ লৌখিবা প্রফলো মাণিনা তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা অল অমিননা মোদেল ক্লব চিংঙামখাবু রন ২৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা অল অমিননা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মোদেল ক্লবনা ওভর ১৮.৪ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১০৬ খক লৌদুনা মেটচ অসি অল অমিননা রন ২৮ দা মায় পাকখি।

অল অমিনগী বেট্টিংদা অল বাসিটনা বোল ৪৬তা রন ৫২, রাজানা বোল ১৪ দা রন ১৮ অমদি সমিরনা বোল ২২ দা রন ১৯ লৌখি।

মোদেল ক্লবকী বোল্লিংদা ধমেন অমদি বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ২ /২ লৌখি।

মোদেল ক্লবকী বেট্টিংদা কর্জিৎনা বোল ৩৮তা রন ৩২, ধমেননা বোল ৯ দা রন ১৯ অমদি বিশ্বরজিৎনা রন ১৪ লৌখি। অল অমিনগী বোল্লিংদা হবি বুলহানা ৱিকেট ২, অব্দুলা, সমির, নসির অমদি মুস্তাকনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ অল অমিন লিলোংগী রন ৫২ লৌখিবা অল বাসিটনা তাখি।

চত্থরিবা অনীশুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী মখা তাবা মেটচশিং থা অসিগী তাং ৩০ অমদি ৩১ দা শান্নগদবা মেটচশিং য়ৈথোক্লে।

# ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ এক্স পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (এ) মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ২৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী অহুমদগী চত্থরক্লিবা ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা পেরেদাইজ পোলো ক্লবপু গোল ৮–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লবপী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ এল অতাংবানা মিনট ১.২০, জর্সি নম্বর ৫ কে জোগিন্দ্রনা মিনট ৫.৪০, জর্সি নম্বর ১ টিঐচ জেকোবনা ৬.৪৫ তা পাঞ্জল অমমম, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ এল তোলেনখোম্বানা পাঞ্জল অমা, এল অতাংবানা মিনট ৫.১০ অমদি ৫.১৮ দা পাঞ্জল ২ অহুমশুবা চক্করদসু অতাংবানা মিনট ৪.১০ দা পাঞ্জল অমা অমদি মরিশুবা চক্করদা এল তোলেনখোম্বানা মিনট ৬.৪৫ তা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা পেরেদাইজ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ আর কে পুরুমানিনা মিনট ০.৪০ অমদি অহুমশুবা চক্করদসু পুরুমানিনা মিনট ০.২০ দা পাঞ্জল অমমম চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এমপিএসসি (এ) না কেকেএমএমআরএস (এ) বু পাঞ্জল ১০–৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এমপিএসসি (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ টি রোসননা মিনট ০.৩৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ ঐচ অবুং খুমননা মিনট ৪.৪৪ দা পাঞ্জল অমমম, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ এস বিমোলনা মিনট ১.০১ অমদি ৫.৪১ দা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ৪ টিঐচ রঞ্জিৎনা মিনট ৬.২১, জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ৬.৫৫ তা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা টি রোসননা মিনট ০.২২ অমদি এস বিমোলনা মিনট ৫.২০ দা পাঞ্জল অমমম, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ৬.১০ অমদি জর্সি নম্বর ১ টি রোসননা মিনট ৬.৩৬ তা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মায়থিরবা কেকেএমএমআরএস (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ ঐচ মোহিন্দ্রানা মিনট ১.৩২ অমদি জর্সি নম্বর ৩ ও রোজরনা মিনট ৭.২২ দা পাঞ্জল অমমম, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ ও রোজরনা মিনট ০.১৫ অমদি জর্সি নম্বর ২ ঐচ মোহিন্দ্রোনা মিনট ৭.১২ তা পাঞ্জল অমমম, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ এল থোমসননা মিনট ১.১৬ দা পাঞ্জল অমা অমসুং মরিশুবা চক্করদসু এল থোমসননা মিনট ৪.৩১ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮–১৯ এম ৱাই সি মহারবি অমদি কে ৱাই সি খুরখুল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পার্টসোইদা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দা টিম ১২ না গ্রুপ অনী থোক্লা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৩ দগী চত্থরকপা অনীশুবা এসঐচ মাণি শর্ম্ম মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এমৱাইসি মহারাবি অমদি কেৱাইসি খুরখুল মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী গ্রুপ–বিগী মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এমৱাইসি মহারাবিনা সিৱাইএলসি পিশুম চিংঙামথকপু য়াম্না লাকচনা গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এমৱাইসি মহারাবিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল মরি চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ও মালেমনা মিনট ২, ১৮ অমদি ৩১ দা গোল অহুম, অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ কে কিষনমোহোননা মিনট ৪ দা চনখি।

এমৱাইসিগী অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ও মালেমনা মিনট ৪৯ অমদি ৫৫তা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ কে কৃষ্ণামোহোননা মিনট ৫০ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ এল জোন্সননা মিনট ৫৪ দা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা সিৱাইএলসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ এস সুরজকান্তনা মিনট ১২ তা চনখি।

মেটচ অসিদা এমৱাইসিগী জর্সি নম্বর ১৬ এল জোন্সনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এ দিল্লিপ, মহেস, এস ওনিল অমদি কেঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ–বি গী মেটচ অমদা কেৱাইসি খুরখুলনা এফসি ইম্ফাল ময়াই কোইবীবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা কেৱাইসি না লাকশিন্না শান্নদুনা মিনট ৩৪ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৩ কে দয়ানন্দনা চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা এফসি ইম্ফালনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙহৌখি।

মেটচ অসিদা এফসি ইম্ফালগী জর্সি নম্বর ১০ টিংলোদর, জর্সি নম্বর ৫ এম বিরজিৎ, কেৱাইসিগী জর্সি নম্বর ২৩ কে দয়ানন্দ অমদি জর্সি নম্বর ১১ য়ু রোবার্টতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি হেমন্ত, এনজি অনন্দ, এন সন্তোস অমদি টিঐচ কর্জিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা এনআইএসসি অমদি এমএসসি না অহানবা অমসুং অনীশুবা মেটচতা য়ুএসসি অমদি জুবেনাইলনা শান্নরগনি।

# ষ্টেটকী সব–জুনিয়র টাইকুন্দো টিমনা গোল্ড অহুম লৌখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

তাইকুন্দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টেলঙ্গনা ষ্টেট তাইকুন্দো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তগী ৩০ ফাওবা গাচিবোলি হায়দরবাদ টেলঙ্গনাগী জিএমসি বলায়োগি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা নেসনেল সব–জুনিয়র কিয়োরুগী অমদি ৯শুবা সব–জুনিয়র পোমসে টাইকুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোই সলাম তোমদোনম্বা, কাংঙুজম জেনিস অমদি লাইশ্রম রোহিটনা কিয়োরুগীদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

গোল্ড মেডলশিং অদু সলাম তোম্বানা কেজি ২৩ দা গোল্ড মেডল, কাংঙুজম জেনিসনা কেজি ৪১ দা গোল্ড মেডল অমদি লাইশ্রম রোহিটনা কেজি ২৩ দা গোল্ড মেডলশিং অদু লৌখি।

কিয়োরুগীদা সৌগ্রাকপম রিকিসননা কেজি ৩৮ তা সিলভর মেডল অমদি মৈত্রম শামসননা কেজি ২৯ দা সিলভর মেডল লৌখি।

চত্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পোমসেগী গ্রুপ বোইজতা মণিপুরনা গোল্ড মেডল লৌখি।

# লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ এমসি চাজিং অৱাং লৈকায়না ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

চাজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শীন্দুনা লিলোং চাজিংদা লৈবা চাজিং কাংজৈবুংদা মমাং চহিগী দিসেম্বরগী তাং ২৫দগী টিম ১১না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরক্লিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর এমসি লিলোং চাজিং অৱাং লৈকায়না ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এমসি চাজিং অৱাং লৈকায়না এমআরসি চাজিং মাইরেন খোঙবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এমসি লিলোং চাজিং অৱাং লৈকায়গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ২০ এল লৈঙাকপনা চনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এল লৈঙাকপনা মিনট ৬৮ চৎপদা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র এমআরসিগী কে নারেসনা তাখি, বেষ্ট গোল কিপরদা এমসি গী এল ঙানবা, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা সিদব্লিউসি চাজিং মমাং লৈকায় মখানা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট স্কোররদা এলকেসিসি লংথবাল খৌপুমগী সি ননাওবা কাবুংইনা তাখি।

# নৌনা মতম লেপলে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা অস্ফা গ্রাসরুট প্রোগ্রামগী মখাদা চহি ৬তগী ১২ ফাওবগী অমদি অস্ফা য়ুঠ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদু লাক্লিবা থা ফ্রেবুৱারিগী তাং ৯ গী অয়ুক পুং ৭তগী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্লবা নৌনা মতম লেপ্লে হায়রি।

গ্রাসরুট প্রোগ্রাম অসিদা য়াওনবগীদমক ফোর্ম থাজিনখ্রবশিংনা হায়রিবা নুমিৎ অমদি মতম অসিদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন–চার্জ এল জয়টিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

| Date | Matches | Venue | Time |
| --- | --- | --- | --- |
| February 21, 2020 | Australia v India | Sydney | 7.00 pm |
| February 22, 2020 | Windies v Qualifier 2 | Perth | 2.00 pm |
| February 22, 2020 | New Zealand v Sri Lanka | Perth | 7.00 pm |
| February 23, 2020 | England v South Africa | Perth | 7.00 pm |
| February 24, 2020 | Australia v Sri Lanka | Perth | 2.00 pm |
| February 24, 2020 | India v Qualifier 1 | Perth | 7.00 pm |
| February 26, 2020 | England v Qualifier 2 | Canberra | 2.00 pm |
| February 27, 2020 | India v New Zealand | Melbourne | 2.00 pm |
| February 27, 2020 | Australia v Qualifier 1 | Canberra | 7.00 pm |
| February 28, 2020 | South Africa v Qualifier 2 | Canberra | 2.00 pm |
| February 28, 2020 | England v Pakistan | Canberra | 7.00 pm |
| February 29, 2020 | India v Sri Lanka | Melbourne | 2.00 pm |
| February 29, 2020 | South Africa v Pakistan | Sydney | 7.00 pm |
| March 1, 2020 | South Africa v Pakistan | Sydney | 2.00 pm |
| March 1, 2020 | England v Windies | Sydney | 7.00 pm |
| March 2, 2020 | Sri Lanka v Qualifier 1 | Melbourne | 2.00 pm |
| March 2, 2020 | Australia v New Zealand | Melbourne | 7.00 pm |
| March 3, 2020 | Pakistan v Qualifier 2 | Sydney | 2.00 pm |
| March 3, 2020 | Windies v South Africa | Sydney | 7.00 pm |
| | Semi-Finals | | |
| March 5, 2020 | Semifinal 1 | SCG, Sydney | 2.00 pm |
| March 5, 2020 | Semifinal 2 | SCG, Sydney | 7.00 pm |
| | Finals | | |
| March 8, 2019 | Finals | Melbourne | 7.00 pm |

# রোমিও খল্লক্লে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মথং থা ফেব্রুৱারি ২দগী ২২ ফাওবা কোচিগী রঞ্জিপ গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমদি চেন্নাইগী এস দি এ টি মাল্টিপরপস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রো ভোল্লিবোলদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী রেফরি রোমিও খল্লক্লে হায়রি।

# আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ

মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং প্লে গ্রাউন্দা ৩৩শুবা ষ্টেট সব–জুনিয়র আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি। নুমিৎ নিনি চত্থগদৌরিবা অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচা আর্চর ১৫০ না শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ান রাউন্দ, রিকপ অমসুং কম্পাউন্দ দিভিজনদা অথোই–অহেন তান্নগনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com